# শঙ্গোম থোকপী ষণবীদা পীজ পীথকপা

- ডা. সরাংথেম জেসমারানি -

শঙ্গোম থোকপী ষণবী লোয়দুনা ইশাগী শেন্দাল লন্বী অমা ওইনা শেন্দোং লৈনা লোয়বা হায়বসি ষণবু খুদিংগী অপান্বনি। ষণবু খুদিংমক মচা লৌখ্রবা মতুং নৎত্রগা মচা পোল্লগা শঙ্গোম থোল্লবা মতুংদা হেন্না পীজ পীথক তৌবগী হৈনবীসি লৈ। ষণবু অয়াম্বনা শজিক মরাং কায়নবু লৈরগদি শজিক খল্লা নম্না পীজনৈ। মফোনগী শরুক পীজবা খরা ৱাৎলি। শঙ্গোম শুল্লবা মতমদা মফোনগী শরুকশিং পীজবা থেংনজৈ। ষণ অমনা য়ামদ্রবদা ১৪-১৫% দাইজেষ্টিব ক্রুদ প্রোটিন (দি সী পি) অমসুং ৬৮% টুটেল দাইজেষ্টিব ন্যুত্রেন্ট (টি দি এন) চঙই। হায়রিবা অসি ফংহনগে হায়রগদি শজিক পীজবগী মথক্তা মফোনগী শরুকসু য়াওহনগদবনি। মসিগী মথক্তা মীনরেল, ভিটামিন অমদি থুমসু চাদা ১ গী চাংদা হাপ্পীগনি।

শঙ্গোম থোকপী ষণবী অমনা য়ামদ্রবদা কেজি ২ গী মফোনগী শরুক পীজবীগনি। মসিগী মথক্তা শঙ্গোম শুল্লিবা ষণবী ওইরগদি অহেনবা শঙ্গোম থোল্লিবা খুদিংগী অহেনবা মফোনগী শরুকসি পীজবীগনি। নোংমদা য়ামদ্রবদা শঙ্গোম থোকপী ষণবী অমদা কেজি ৪০ অমদি চরুনা কেজি ৬ পীজবীবা য়াই। হাতম ওইরগদি শজিক্তা কেজি ১০, চরুদা কেজি ২ অমদি মফোনগী শরুক্তা গ্রাম ৫০০ পীজবীবা য়াই। অয়াম্বা ষণবুশিংনা শজিক ফাল্লুরগা ষণগোনগী নাকন্দা পৈশিন্দুনা থন্বা অদুম য়াওদবা নত্তে, মসি তৌবিরোইদবনি। পুল্লিবা শজিক মপুন্দু নুংশাদা ফৌদোকপীরগা উইথহল্লগা পীজবনা খ্বাইদগী ফৈ। মসিনা তীল চেনবগী চাং হন্থহল্লি।

এন আই এ এন পি বেঙ্গালুরুগী মতুংইন্না শঙ্গোম থোকপী ষণবীশিংসি শঙ্গোম থোকপগী মতুং ইন্না মচিঙ্গাক পীজবগী খেন্নবা থল্লি। মসিদসু নত্তনা শজিক মরাং কায়না ফংবা, ৱাৎনা ফংবা অমদি ময়ায় ওইরপ্লা ফরবা মফমগীসু শঙ্গোম থোকপগী মতুংইন্না পীজগদবা মচিঙ্গাক খেন্ননা থল্লি। মখোয় অদুদি ঃ-

ক) শঙ্গোম নোংমদা লিটর ৫ থোল্লগদি পীজগদবা চাংসি-

| মচিঙ্গাক (কেজি) | শজিক মরাং কায়না ফংবা | শজিক ময়ায় ওইরপ্লা ফংবা | শজিক ৱানা ফংবা মফম |
|---|---|---|---|
| | মফম | মফম | |
| মফোনগী শরুক | - | ১.৮ | ৫.৩ |
| শজিক | ৩৫ | ২০ | ২ |
| চরু | ৩.৫ | ৩ | ৪ |

খ) শঙ্গোম নোংমদা লিটর ৭.৫ থোল্লগদি পীজবীগদবা চাংসি -

| মচিঙ্গাক (কেজি) | শজিক মরাং কায়না ফংবা মফম | শজিক ময়ায় ওইরপ্লা ফংবা মফম | শজিক ৱানা ফংবা মফম |
|---|---|---|---|
| মফোনগী শরুক | ১.২ | ৩ | ৬.৮ |
| শজিক | ৩৫ | ২০ | ২ |
| চরু | ৩.৫ | ৩ | ৪ |

গ) শঙ্গোম নোংমদা লিটর ১০ থোল্লগদি পীজবীগদবা চাংসি -

| মচিঙ্গাক (কেজি) | শজিক মরাং কায়না ফংবা | শজিক ময়ায় ওইরপ্লা ফংবা | শজিক ৱানা ফংবা মফম |
|---|---|---|---|
| | মফম | মফম | |
| মফোনগী শরুক | ২.৪ | ৪.২ | ৮ |
| শজিক | ৩৫ | ২০ | ২ |
| চরু | ৩.৬ | ৩ | ৪.৫ |

ঘ) শঙ্গোম নোংমদা লিটর ১২.৫ থোল্লগদি পীজবীগদবা চাংসি -

| মচিঙ্গাক (কেজি) | শজিক মরাং কায়না ফংবা মফম | শজিক ময়ায় ওইরপ্লা ফংবা মফম | শজিক ৱানা ফংবা মফম |
|---|---|---|---|
| মফোনগী শরুক | ৩.৬ | ৫.৫ | ৮.৮ |
| শজিক | ৩৫ | ২০ | ২ |
| চরু | ৩.৫ | ৩ | ৪.৫ |

ঙ) শঙ্গোম নোংমদা লিটর ১৫ থোল্লগদি পীজবীগদবা চাংসি -

| মচিঙ্গাক (কেজি) | শজিক মরাং কায়না ফংবা মফম | শজিক ময়ায় ওইরপ্লা ফংবা মফম | শজিক ৱানা ফংবা মফম |
|---|---|---|---|
| মফোনগী শরুক | ৪.৫ | ৬.৭ | ৯.৮ |
| শজিক | ৩৫ | ২০ | ২ |
| চরু | ৩.৫ | ৩ | ৪.৫ |

চ) শঙ্গোম নোংমদা লিটর ২০ থোল্লগদি পীজবীগদবা চাংসি -

| মচিঙ্গাক (কেজি) | শজিক মরাং কায়না ফংবা মফম | শজিক ময়ায় ওইরপ্লা ফংবা মফম | শজিক ৱানা ফংবা মফম |
|---|---|---|---|
| মফোনগী শরুক | ৭ | ৯.৩ | ১.২ |
| শজিক | ৩৮ | ২০ | ২ |
| চরু | ৩.৫ | ৩ | ৫ |

ঐখোয়গী লমসিদদি ষণবু লোয়রগদি চরুসি মরাং কায়না থমদুনা পীজবসি থেংনজৈ অদুবু শজীক মরাং কায়না লৈবা মফমদদি চরুসি পীজবা কয়া উদে। চরুদদি প্রোটিনগী চাংসি য়াওবগুম্বনি অদুবু ফাইবরগী চাংদি অসুক্কী মতিক ৱাংনা য়াওই। চরুদা সিলিকাগী চাং ৱাংনা য়াওই। চরু য়াম্না পীজরগসু ষণদা লায়না অমা 'ডেগনালা' হায়বা মখলসি লাকহল্লি। মসিগী লায়ওংদি হকচাং পোমখৎপা, মমৈ অমদি মনা মতোন্দা চাথৎপসি থেংনৈ।

চরুসি ষণবুশিংনা নীংথিনা থন্বীরগা অমদি অতোপ্পা পান্বে কয়া শীজিন্নদুনা হেন্না ন্যুত্রিটিভ ভেলু হেনগৎহন্নবা মখল কয়া লৈ। অদুবু ষণবুনা খরা খূৎলোইগদবা য়েংলগদি মখল ৩ খক লৈ। মখোয় অদুদি ঃ

ক) ঈশিংদা তিংবীরগা পীজবিবা
খ) থুমহীদা তিংবীরগা পীজবিবা
গ) য়ুরিয়াগা তোৎলগা পীজবিবা

**ক) ঈশিংদা তিংবীরগা/চামথোকপীরগা পীজবিবা ঃ**

চরুসি মপুন-মপুন পুল্লিঙৈদা ঈশিংদা তিংবিবা/চামথোকপীবা য়াই। মসিদসু নত্তনা চরুসি ৪-৫″ গী চাংদা ককপীরগা ঈশিংদা চামথোকপীবা নৎত্রগা পুং ৪-৫ ফাওবা তিংবীরগা পীজবিবা য়াই। হায়রিবা চরুসি ষণদা পীজবিবা মতমদা মহাও হেনগৎহনবতা নত্তনা হেন্না চানিংবা ফাওহল্লি অমদি চরুদা পকপা লৈবাক, লৈঙোই কয়া অমসু ঈশিংদা চামথোকখিবনা ষণনা চাবদা হেন্না কান্নবা পী। করিগুম্বা চরুসি তিংলগা পীজবা তারগদি চরুদা য়াওরিবা সিলিকা অমদি ঔজালেট ময়ামসি লৌথোকপা ঙমহল্লি।

খ) থুম শীজিন্নবা ঃ

থুমহীগা চরুগা তোৎলগা পীজবদা চঙগদবা চাং ঃ

চরু - কেজি ১০০
থুম - কেজি ৫
ঈশিং - লিটর ৪০
চরু কক্কদবা চাং - ৪-৫″

কল্লবা চরুশিং শরুক মরী থোকপীরগা শরুক অমনা অপাকপা পোলিথিন অমা থাবীরগা অহানবা শরুক্তু চাইথোকপীরগা থুমহী নম্না চাইবিরগা তোৎপীগদবনি। অসুম্না লেমহৌরিবা শরুক অহুমদুসু মথং মথং মথক্কী কাঙলোনশিং ইনবীরগা পূন্না পুং ২ মুক য়োমশিনবীরবা মতুংদা ষণদা পীজবীবা য়ারে।

অসুম্না তৌবিরগদি চরুদা য়াওরিবা লীগামিন অমদি ঔজালেট হায়রিবা অসি লৌথোকপা ঙমহল্লি অমদি কেলসিয়ম চুপশিনহন্দুনা কেলসিয়মগী চাং ৱাংনা থম্বা ঙমহল্লি।

গ) য়ুরিয়া শীজিন্নবা ঃ

য়ুরিয়া তোৎপদা চঙগদবা মচলশিং

চরু - কেজি ১০০
ঈশিং - লিটর ৪০
য়ুরিয়া - কেজি ৪

অহানবদা পোলিথিন অপাকপা অমা থাবীরগা লৈতেম মান্নবা লৈবাক মথক্তা থন্বীগনি। মসিদা কল্লবা চরুশিংদু মরি থোক্না খায়দোকপীরগা অহানবা শরুক্তু পোলিথিন মথক্তা চাইথোল্লগা পানা থন্বীরগা য়ুরিয়া মহীদু পেরে অমদা হাপ্পীরগা চরু মথক্তা চাইথোল্লবা তুংদা চরুগা পূন্না তোৎপীগনি। অসুম্না লেমহৌরিবা শরুক অদুসু মথং মথং মথক্কী কাঙলোনশিং অসি ইনবীরগা তোৎপীগনি। য়ুরিয়া তোৎলিবা চরুদু নুংশিৎ চঙহন্দনা নুমিৎ ২১ নি থন্বীরবা মতুংদা পীজবিবা য়ারে। য়ুরিয়া তোৎপা চরুসি হেক হাংদোকপগা মিনিট ২০ মুক্তি নুংশিৎ নুংশা চঙহন্দুনা থন্বীরবা মতুংদা পীজবিবা য়াই। অহানবা পীজবা মতমদা চাং খরা হন্থনা পীজরবা তুংদা খরা খরা অসুম হেনগৎহনবীগনি। করিগুম্বদা ঐখোয়না য়ুরিয়া তোৎলগা থল্লিবা মতমসি শাংবনা চেকশিন থৌরাং নিংথিনা লৌহৌবিহৌদ্রগদি শুজা কাবগী চাং য়াম্না ৱাংহল্লি। করিগুম্বা কোকফাই শুজা কাবা তারগদি ষণদা পীজবিরোইদবনি। য়ুরিয়া তোৎলিবা চরুসি গর্ভ পুবী ষণবী অমদি ষণাও থা ৬ কী মখাদা লৈবদদি খক পীজবিরো।

ষণগী মচিঙ্গাক ওইনা কংসু পীজবা য়াই। কংদা প্রোটিন, ভিটামিন অমদি মিনরেল মরাং কায়না ফংই। শঙ্গোম থোকপী ষণবীদা কংগা মফোনগী শরুক্তা ১:১ দা পীজরগদি শঙ্গোম থোকপগী চাংসি চাদা ১০-১২ হেনগৎল্লি।

অসুম্না ষণবুনা নীংথিনা পীজ পীথক তৌবীদুনা হেন্না শঙ্গোম পুথোক্তুনা শঙ্গোমগী অৱাবা লৈরিবসি খরমখৈ কোক্লবা হোৎনমিন্নরসি। ●

# লৌউ-শিংউবা অমদি মসিগা মরী লৈনবা হীরমশিংদা অৱাংবা থাক্কী মহৈ তম্লুরবা নহা ওইরিবা মীওইশিংদা লৈরিবা অৱাৎপা/অশোনবা অমা

– ডাঃ য়ূম্নাম বেদজিৎ –

হৌজিক্কী মতমদা লৌউ-শিংউবা অমদি মসিগা মরী লৈনবা হীরমশিং অসি শিনফম অমা ওইনা লৌনবগা লোয়নননা নহা ওইরিবা মীওইশিংনা য়াম্না মরু ওইনা লৌনরক্লিবা হীরম অমনি। হীরম অসিদা অৱাংবা থাক্কী মহৈ তম্ননবা এগ্রিকলচরেল য়ুনিভর্সিটি ৭৪ ইন্দিয়া পূম্বদা লৈরি।

এগ্রিকলচর অমদি মসিগা মরী লৈনবা হীরমশিং হায়রগা লৌউ-শিংউবা, মনা-মশিং অমদি উহৈ-ৱাহৈগী মরমদা নৈনবা, শা-উচেক য়োকপা, ঙা য়োকপা, হোম সাইন্স অমদি এগ্রিকলচরেল ইঞ্জিনিয়ারিংনচিংবা হীরম কয়া য়াওরি। হায়রিবা হীরমশিং অসিদা তম্বা লোইরবা মহৈরোয় কয়া চহী খুদিংগী পুথোক্লি। হায়রিবা মহৈরোয়শিং অসিনা হীরমশিং অসিদা তম্লুরবা মতুংদা তৌবা য়াবা থবকশিং অসি অসুক্কী মতিক য়ামখ্রে। খুদম ওইনা হায়রবদা এগ্রিকলচরেল সাইন্টিষ্ট, এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর, ষ্টেটকী ওইবা এগ্রিকলচরগা মরী লৈনবা বিগাভশিংদা ওফিসর ওইবা, নেসনেলাইজ বেঙ্কশিংদা ওফিসর ওইবা, নবার্দতা ওফিসর ওইবা, প্রাইভেট কম্পনিশিংদা মেনেজর নৎত্রগা টেক্নিসিয়ন নৎত্রগা কন্সলটেন্টনচিংবা ওইবসু য়াই। মসিদসু নত্তনা মশা মশানা ওন্ত্রপ্রেন্যুর অমমম ওইদুনা মীওই কয়াবুসু থবক পীবা য়াই।

মতাং অসিদা থমজনীংবা ৱাফম অমদি লৌউ-শিংউবগা মরী লৈনবা হীরমশিংদা মহৈ-মশীন মপূং ফানা তম্লুরবা নহাশিং অয়াম্বনা লৈঙাক্কী থবকশিং মরু ওইনা সাইন্টিষ্ট, এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর অমদি ষ্টেটকী এগ্রিকলচরগা মরী লৈনবা বিভাগশিং অসিনচিংবদা থবক তৌননবা হোৎনদুনা লৈনৈ। তৌইগুম্বসুং লৌউ-শিংউবগা মরী লৈনবা হীরমশিং অসিদা মহৈ-মশীন ফজনা/মপূং ফানা তম্লুরবা মীপূম খুদিংমকপু লৈঙাক্কী থবক পীবা হায়বসি ওইথোক্তবনি। মরম অদুনা হীরমশিং অসিদা খঙ হৈরবা মতুংদা হীরমশিং অসিগা চান্নবা থৌওং কয়া পায়খৎতুনা শেল য়াম্না তানবা য়াবদা নত্তনা মীওই কয়াবুসু থবক পীবা ঙমগনি। তৌবতবু থৱায় হকচাং য়াওনা ওন্ত্রপ্রেন্যুর অমা ওইরগে হায়বগী ৱাখল্লোন অমগা লোয়ননা চোঙথোকপীরকপা মথৌ তাই।

মতাং অসিদা ইশাগী মোৎ ওইনা থমজনীংবা মরু ওইবা ৱাফম অমদি এগ্রিকলচরগা মরী লৈনবা হীরমশিং অসি তম্বা মতমদা রিস্ক লৌবগী মতাংদা তম্বীবা খরা ৱাৎলকপগুম উই। খুদম ওইনা হায়রবদা অতোপ্পা হীরমশিংদা তম্লুবা মীওইশিং আই টি তম্লুবা মীওইশিং, ইঞ্জিনিয়রিং তম্লুবা মীওইশিং, বিজিনেস মেনেজ মেন্ট তম্লুবা মীওইশিং অমদি অতোপ্পা বেসিক সবজেক্টশিংদা তম্লুবা মীওইশিংনা এগ্রিকলচরগা মরী লৈনবা হীরমশিংদা মায় ওনশিল্লক্তুনা থবক কয়া য়াম্না মায় পাক্লা পায়খৎপা থেংনরি। মসিনা তাকপদি মখোয়শিং অসিদা রিস্ক লৌবা ঙম্বগী থৌনা অদু য়াওই। তৌইগুম্বসুং এগ্রিকলচরগা মরী লৈনবা হীরমশিংদা মহৈ নীংথিনা তম্লুরবা মীওইশিং অসি রিস্ক লৌবা ঙম্বগী থৌনা অদু লৈতবা মরম্না এগ্রিকলচরগা মরী লৈনদবা হীরমশিংদা মায় ওনশিন্দুনা মায় পাক্লা লৈখিবা মীওইগী মশীং অসি অসুক্কী মতিক নেম্মী।

মখোয়শিং অসিনা রিস্ক লৌবা ঙমদবগী মরমশিং অসি মখোয়না তম্লক্লিবা সিলেবস অদুদা রিস্ক করম্না লৌগনি হায়বগী পড়া অসি য়াওদবা নৎত্রগা ওজাশিংনা তাকপীবদা মপূং ফানা তাকপীবা ঙমহৌদবা অসিনচিংবা কয়া ওইবা য়াই। মসিদসু নত্তে অতোপ্পা মরম কয়া অমসু লৈগনি। অদুম ওইনমক "নো রিস্ক নো গ্যেন" হায়বা ৱাফম অসিসু মীওই পূম্নমক্লা খন্থবীদুনা মতাং মতম চানা শীজিন্নদুনা অচৌবা মায় পাকপা কয়া পুরকপা ঙমগনি।

মতাং অসিদা এগ্রিকলচরগা মরী লৈনবা হীরমশিংদা অৱাংবা থাক্কী মহৈ তম্লুবা মীওইশিংদা করিগুম্বা অশোনবা খরা লৈ হায়জনীংই। তৌইগুম্বসুং হীরম অসিদা থবক তৌরিবা অৱাংবা থাক্কী ফম পায়রিবা মীওইশিংনা অশোনবা নৎত্রগা অৱাৎপা অসি করম্না অমদি কদোমদগী থোল্লকপনো হায়বদু মুন্না থিজিল্লবা মতুংদা অচৌবা অহোংবা অমা পুরক্তুনা অচৌবা মায় পাকপা ওইরক্কনি হায়বগী থাজবা লৈজরি। মরম অদুনা "নো রিস্ক নো গ্যেন" হায়বা ৱাফম অসি মতাং মতম চানা শীজিন্নদুনা ঐখোয় পূম্নমক্কী অচৌবা অওনবা অমদি অচৌবা মায় পাকপা পুরকপদা অচৌবা থৌদাং লৌমিন্নরসি। ●

# ফৌ থাবদা খ্বাইদগী চাউনা শীংনবা ওইরবা তীল - হোপ্পর (ৱাহিক) -২

– ডা. ৱাইখোম জিতেন –

মীয়াম্না ৱাহীক হায়রগা খঙনবা হোপ্পরদগী ঙাকথোক্লবা তোঙান তোঙানবা পান্বৈশিংগী মনুংদা পায়খৎপা য়াবা থৌরাংশিংগী মনুংদা হোপ্পরবু মাঙহনবা ঙম্বা (হাৎপা) লৌফমদা মহৌশাদগী লৈবা তীল মখল খরবু য়োকখৎপা লৌউ-কাঙলোনশিং পায়খৎপীবা হায়বসিসু তঙাইফদবনি। হোপ্পরশিংবু মাঙহনবা ঙম্বা তীল খরদং পঞ্জবা তারবদা মীরাং মখলশিং, ককচেং অমুবা অমসুং অঙাংবা মখলশিং, Water striders, Mirid bugs, Ladybird beetle (শন্দ্রেন্বী), ককচেং অপাইবীগী মখল খরনা হোপ্পরগী অপিকপা মচা অমসুং মরুমশিং মহী চুপথোক্তুনা মাঙহনবা ঙমই। মরম অদুনা অসিগুম্বা তীলশিং অসিবু য়োকখৎনবগীদমক মরম ইচা চাদনা হীদাক পংকাপ্তা কাপ্পীরোইদবনি। ফৌগী মনা চাবা তীল মখলশিং ফৌনা থাবদগী নুমিৎ ৪৫ ফাওবগী মনুংদা তারকপদা য়ারিবমখৈ তীলহাৎ হীদাক কাপ্তুনা ফানবা পান্বে লৈরবদি মদু শীজিন্ননবা হোৎনবীগদবনি।

তীলহাৎ হীদাক :- হোপ্পরদগী ঙাকথোক্তুনা ফৌগী চাথোক কন্নবগীদমক শীজিন্নবা য়াবা তীলহাৎ হীদাক অসি ওন্থোক্লা য়াম্না লৈখ্রে। হায়রিবা হীদাকশিং অসি লৌফম অদুগী ওইরিবা ফীভম, মওং মতৌশিং অদু নীংথিনা য়েংলবা মতুংদা চান্নবা অমা খল্লগা কাপ্পীগদবনি। নীংশিংবীগদবা অমনা লৌফম অদুদা তীল উদ্রিঙৈদা চেকশিন থৌরাংনি হায়দুনা তীলহাৎ হীদাকশিং কাপ্পীবগী থৌওংসিদি তৌবিরোইদবনি। চেকশিন থৌরাং পায়খৎপীগে হায়রবদি ফৌদি খনবদগী হৌরগা অচুম্বা লৌউ কাঙলোনশিং পায়খৎপীহৌগদবনি। অদুগা তীল খরা উরে হায়রগসু ফৌ পান্বী অমদা তীল কয়া উরবা মতমদা হীদাক কাপ্পীগদবগে হায়বদু নীংথিনা খঙনা হীদাক কাপ্পীগদবনি। ফৌনা মমি তম্লকপগী মতমদা ফৌ পন্দোং অমদা তীল ৫-১০ ফাওবগী চাংদা তোংলবদি তীলহাৎ হীদাক শীজিন্নবীবা য়ারে। অদুগা হায়রিবা মতম অসিমক্তদা ফৌ পন্দোং খুদিংগী হোপ্পরবু চাবা ঙম্বা মখলগী মিরাংশিং পন্দোং খুদিংদা অমদগী তাদনা লৈরবদি ফৌ পান্বীশিং অদুদা হোপ্পর ২০দগী তাদনা লৈরবা মতমদা হীদাক কাপ্পীগনি। কাপ্পীগদবা হীদাক মখলশিং অসি কাপ্পীদ্রিঙৈদা লৌফম অদু ঈশিং হান্না চিথোকপীগদবনি। ঈশিং চিথোকখ্রবা মতুংদা মখাদা পীজরিবা হীদাকশিং অসিগী মনুংদগী অমা খনবীরগা নিংথিনা মমুৎ তানা হীদাক কাপ্পগদবনি। হীদাক কাপ্পদা হিংজোং কাংজোং তৌরবদি হীদাক মখল অমত্তনা হোপ্পরবু ফহনবা ঙম্লোই। লৌরিদা লেপ্পগা পম্পকী মচিনদগী হীদাক অদু পেচকারি কাপ্পগুম লৌরাই তান্না কাপ্পবদি পালহন্নীংলিবা তীলশিং অদুদা পান্দদুনা অয়াম্বা হীদাকশিং লৈবাক্তা তাদুনা মাঙখিবদগী তীল ফহনবা ঙম্লোই। মরম অদুনা তীল হীদাক কাপ্পীবা মতমদা পম্প অমগী অপাকপা অসি ফুট ১০/১০দা হেন্না পুবিরোইদবনি অমদি পম্প অদুদগী থোরক্লিবা হীদাকশিং লৈচিল মফোল শানা মনিল তানা কাপথোরক্তুনা তীলনা লৈরিবা ফৌখোকলোমদা ওন্থদুনা কাপ্পীগদবনি।

(১) Imidacloprid 70% WP (Admire/Leopard) : হীদাক মখল অসি ফৌনা মমি তম্বা হৌরকপা মতমদগী ফৌনা মপাল শাবা হৌরকপা মতম ফাওবগী মনুংদা কাপ্পীবা য়াই। হীদাক মখল অসি গ্রাম ২ ঈশিং লিটর ১৫দা য়ানবীরগা পম্প ৭-৮না লৌ শঙমগী লৌফমদা কাপ্পীগদবনি।

(২) Impdacloprid 17.8%+ Dimethyl Sulphoxide 50% (Control) : হীদাক মখল অসিসু মথক্কী হীদাক মখল অসিগুম্না ঈশিং লিটর ১৫ খুদিংদা হীদাক মিলিলিটর ২০গী চাংদা য়ানবীরগা পম্প ৭-৮গী চাংনা লৌ শঙম অমগী লৌফমদা কাপ্পীগদবনি।

(৩) Dinotefuran 20% SG (O Shean) : ফৌনা লোক্কদবা নুমিৎ ২১নি ফাওবগী মমাঙগী মতমদা হীদাক মখল অসি গ্রাম ৬ ঈশিং লিটর ১৫গী চাংদা য়াল্লগা পম্প ৭-৮না লৌ শঙম অমদা কাপ্পীগদবনি।

(৪) Buprofezin 15% + Acephate 35% WP (Tapuz/Urione) : হীদাক মখল অসিসু ফৌ লোক্কদবা নুমিৎ ২০ ফাওবগী মমাঙদা হীদাক গ্রাম ৫০ ঈশিং লিটর ১৫গী চাংদা য়াল্লগা কাপ্পীবা য়াই।

(৫) : Dymetrozine 50% WG (Chees/Suruga) : হীদাক মখল অসিসু ফৌনা মপাল শাবা লোইরকপা মতম ফাওবগী মনুংদা কাপ্পীবা য়াই। ঈশিং লিটর ১৫দা হীদাক গ্রাম ১০-১২গী চাংদা য়াল্লগা কাপ্পীবা মতমদা তীল অসিদগী মপূং ফানা ঙাকথোকপা ঙমই।

(৬) Betacyfluthrin 8.49 + Imidacloprid 19.81 (Solomon) : হীদাক মখল অসি ফৌনা লোক্কদবা নুমিৎ ১৭কী মমাঙ ফাওবগী মতমদা ঈশিং লিটর ১৫দা হীদাক মিলিলিটর ১৫গী চাংদা য়াল্লগা কাপ্পীবা য়াই।

(৭) Ethiprole + Imidacloprid 8 WG (Glamour) : ফৌনা লোক্কদবা নুমিৎ ১৫গী মমাঙ ফাওবগী মতমদা হীদাক মখল অসি গ্রাম ৫ ঈশিং লিটর ১৫ খুদিংদা য়াল্লগা কাপ্পীরবদি তীল মখল অসিদগী ঙাকথোকপা ঙমগনি।

(৮) Fenobucarb 20% + Buprofezin 5% (Zorba) : হীদাক মখল অসি মিলিলিটর ৭৫ ঈশিং লিটর ১৫ খুদিংগী য়াল্লগা কাপ্পীবা মতমদা হোপ্পরদগী ঙাকথোকপা ঙমই।

(৯) Clothianidin 50% (Dantotsu) : ফৌ লোক্কদবা মতম য়াম্না তেনশিল্লক্লবা মতমদা হায়বদি নুমিৎ ১০-১২ ঙাইরবা মতমদা হায়রিবা হীদাক মখল অসিগী গ্রাম ২ ঈশিং লিটর ১৫দা য়াল্লগা পম্প ৬তগী তাদনা লৌ শঙম অমদা কাপ্পীগনি। করিগুম্বা লৌফম অদু ঈশিং চিথোকপা য়াদবা লৌফম ওইরবদি মথক্তা হায়খ্রিবা হীদাকশিং অসিগী মনুংদা অমা কাপ্পীবগা লোয়ননা Hortimin কৌবা হীদাক অদু মিলিলিটর ৫০ ঈশিং লিটর ১৫ খুদিংদা য়াল্লগা কাপ্পীগদবনি।

মতৌ অসুম্না হীদাক চুম্না খনবগা লোয়ননা লৌউ কাঙলোন চুম্না পায়খৎপীদুনা মীয়াম্না কিনরিবা তীল মখল অসিদগী ঙাকথোকমিন্ননবা হোৎনগদবনি। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অহবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।